হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৩৭শুবা মশীং

# ‘তোলোপ’ কী অচৌবা পাউ

## উচিদা অমুক হঞ্জিল্লক্লব্রা

মণিপুর পীকই, মীশিংসু য়ামদে। মসি ওইরগসু হিংনবগী লান মায়োক্লনবা ৱায়োং চাবা অমসুং পূক্লিং লূম্বা অতোপ্পা পাম্বে লৈজদবনা লৈঙাক্কী থবক্তা হিদান্নে। পৌ নম্মী হায়বদুমক্কা মান্ননা থোকই। খুয়া তুশিৎনা হিংনবগীদমক চান-থক্লবা লেম-পানা লৈরবা মীওইশিংগী মশীং য়ামদবনা মসিগী হাক্কন চঙনরকপদা শেঙ্গা-থুমজা (করপসন) চাং য়াম্না ৱাংই। অচুম্বা-অশেংবশিং মাঙখিদুনা লৈত্রবোই নীংই। হিংনবগীদমক লৈঙাক্কী থবক খক্তদা অপান্নদনবা হোৎনবদসু ‘শেল্লেপ’ চঙই। ওন্ত্রপ্রেন্যুর ওইনবা হোৎনরকপদনা রো মেটরিএলশিং চঙই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়াম্বু হিংনবগীদমক লৌউ-শিংউরোমদা মায় পাক্লা মায় ওনশিলহনবসু ঙমদে। মরমশিং অসিনা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী পূম্নমক্তা য়ূম্ফম ওইরিবদৌনা তৌই। য়ূমথোঙ খুদিংগী মীওই অমমম লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিং ওইদ্রবসু মখোয়গা মণিপুরগগী শেন্মীৎলোনগগী মরক্তা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অচৌবা মরী অমা লৈনরি। অদুবু মণিপুরগী শেন্মীৎলোননা ফীভমসি য়ৌরক্লবা তাঞ্জাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মসিগী মখাদা লৈবা এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী পীথোকফম থোকপা খূৎশুমল (তোলোপ) অমসুং থবক্তগী পোত্থাখ্রবশিংগীনা রিটাইয়র্মেন্ট বেনিফিটশিং পীথোক্তবা হায়বসিদি অচুম্বা থৌশিল ওইরোই। শেল লৈতবদগী পীথোক্তবা শোয়দনা ওইরমগনি। লৈরবদি পীগনি হায়বা মীয়ামসু খঙই। অদুবু এমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ অমসুং পেন্সনরশিংগী পেন্সন পীনবা শেল কদাইদা চৎখ্রবগে? কদোমদা নাথৈদুনা শীজিন্নখ্রবগে? হায়বগী ৱাহং হংনরকই। চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা, মীয়াম্না থা খুদিংগী খৌরাংনা তানীংনা ঙাইনবা খ্বাইদগী চাওবা পাউসি এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোপ পীরগনি, পেন্সনরশিং পেন্সন পীরগনি হায়বনা ওইখি। মদুসু শুপ্নতগী থা ১/২ খক্কী ৱাফম ওইখিদে। মদুমক হৌজিক্কী ষ্টেট লৈঙাকসিদসু উচিদা অমুক হঞ্জিল্লক্লব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লে। মতাংসি য়ৌরকপদদি করিনো অমা খন্নহৌবা চুমগনি।

লৈঙাক্কী থবকসু তৌনা তৌনা অতোপ্পা শেন্দোং য়াম্না ফংবা থবকশিংসু হায়দোক্লগা নারোন্দা তৌবা, অমম্বদা হৈ-শিংবা মীওই খুজোক খরদদি অৱা চৈথেং নংহল্লমদবা য়াই। অদুবু য়াম্বা-য়ামদবা থাগী খূৎশুমলনা পুন্সিগী পাম্বে ওইজবশিংদি চাকখুম মৈ মুৎপা য়াওনরক্কদৌরে। অমুক্কা হেন্না ফীভম শোক্লিবনা সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবা পেন্সনরশিংনি। চহী ২০/৩০ হেন্না লৈঙাক্কী থবক্তা মরূ-ময়াং কেম্বমখৈ থবক তৌরক্লগা পোত্থারবা মতুংদনা অতোপ্পা শিনফম পায়রুবগী পাঙ্গলসু লৈত্রবা মতমদা পেন্সনগী কান্নবশিং থিংজিন্দুনা পীবিদবা হায়বসিদি মখোয়দা লংজবা ওইনা থোক্কনি। থোক্তবা য়াদবগী থোকখ্রবসু মখা শাংথহল্লকপা চুল্লোই অদুগা মতুং থোরক্তনবসু হোৎনৌ এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোপ, পেন্সনরশিংগী পেন্সন ফাওবা পীথোকপা ঙমদ্রগা লৈবাক মীয়ামগী চাওখৎ থৌরংশিংনি হায়দুনা পাঙথোরকপদা মঙম শানবা ঙমগদৌরিব্রা? অদুগা হৌজিক এমপ্লোয়ীশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী পীথোকফম থোক্লবা শেনফমশিং ফাওবা পীথোকপা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরকসিদা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংনা অয়াম্বা পোষ্টশিংগী অনৌবা মীওই কয়া খুরুপ থাদুনা লৌননবা হোৎনরক্লিবশিং অসিনা করিগীনো? মখোয়গী তোলোপতি পীবা ঙমগদৌরিব্রা? নৎত্রগনা হৌজিক থা খরগী ওইনা তোলোপ অমসুং পেন্সন পীথোকপা ঙমদবগী ৱানি। মতম খরগী মতুংদদি লৈঙাক্কী শেল থুমগী মহি-মনাই জোম-জোম হোন্নক্তুনা লোইনমক পীথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরকখিগদৌরিব্রা? নৎত্রগা অনৌবা মীওইশিং লৌরগনি হায়দুনা খোইচাক থাদুনা তপ তাবমখৈ লৌশিল্লুরগা অরোইবা রিজল্ট হায়দোক্তনা চহী খরমুক নমশিন্দুনা থল্লগা জেনরেল ষ্ট্রাইক, বন্দনচিংবগী চেবাউ পীবা ওইনা থোরকহনগদৌরিব্রা? তুং কোইনা চৎনগদবা লাষ্টিং ওইগদবা থবক থৌরমশিং খক্তমক তৌ। থৌ লৈতনা থোইদিং পোৎ’মা হৈদোক্লগা খুল্লি হায়বগী থৌদৌ তাহনগনু। হৌজিক পীথোক্তনা শোৎচিন্দুনা লৈরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীথোকউ। পেন্সনরশিংগী পেন্সনসু ফাজিনগনু। চরাম চদৎনরগা অফবা থবক তৌরক্লোই। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মায়োক্নরক্কনি। অঙম্বা পাম্বে পুথোক্তুনা হোৎনৌ। ইঞ্জিন অমখক্তসু নত্তনা ‘দবল ইঞ্জিন’ গী লৈঙাক্লবু এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল/হুমাংমল শোৎপা পকচদে। ওপরেসন মায় পাক্লা পাঙথোক্লগা অনাবা শিবগী ফীভমদু তাহনগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **‘‘ওইরগদ্রা অরোইবা’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **‘‘ৱৎসনিংথৌ উদয়ন’’** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **‘‘ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী’’** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?


৪) ‘‘খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেম্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেম্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।’’ ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **‘‘ৱারেপ’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# (অওনবা অমদা) নিংথম নুংশা, কালেন নুংশা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মমা-মপানা, লৈবাক্লা, ফম্নাইবশিংনা, অখঙ-অহৈ মায়চৌশিংনা অতাকমী (ওজা) দা তত্তনা হায়বগুম তৌরি তোংজৈ মরীলদা শামু লীৎহল্লু হায়না। মহৈ মশীনগী মতাংদা টেলিভিজনদা অখঙ অহৈশিং মায়চৌশিং য়েৎনবদা খোন ৱাংখৎ কনখৎনবা উজৈ শিন্তাক্লোনগী মতাংদা, লাইরিক্কী মতাংদা, শিলহৈরোনগী মতাংদা। অয়েংমীনা মায় ঙাংশং ঙাংনা খাঙবা মতাংসু কয়ানি। মী খৎনবা ফূনবা লাউনবা অসি য়েংবা ৱায়, থাগী বিল পীরগা খজিক্তং ওইরবসু কান্নবা ৱা ফংনি খন্দনা হোৎননরিবনি। লাউনবা য়াই খৎনবা য়াই হায়না অখঙ অহৈনা উৎপদৌনা তৌবসু উই। মরম চারবসু লাউনরবদি মরম চাদবা মানবা য়াওই। তৌবগীবুদি মদু থৱায় হকচাং খূৎ য়াওনা খন্নবনি হায়বা য়াই। লাউনবিরিবা ইচিল ইনাও মায়চৌশিং অসি মহৈশঙদা কূম খোত্তুনা থোইনা হংলবা উবা ফংনদ্রি। পাউচেদা উবা স্কুলগী মমি নত্তনা মহৈশঙগী অশেংবা মশক উদনা মসিগী মরমদা য়াম্না কূপ্না নৈনবা ঙম্বা অহৈবা মায়চৌশিং অমরোমদা লাইগী শক্তি চেনবনি থাগৎপা য়াবা লৈ। মচা মশুশিং লায়রবগী স্কুলশিংদা লাইরিক তমহনবা ঙমদবা নৈনমীশিংনা মহৈ মশীন তম্বগী মতাংদা মমুৎ তানা তানা নৈনবসু উনরি।

মহৈশঙ ফগৎনবা লাক্লদ্রিঙৈ, নৈনমীসু হান্না ফগৎনবা হোৎনবগী মমি তাহনবা য়াই। মসিগীসু তঙাইফদবগী মতাং মতম লৈরকখিনি। তম্বা ঙম্বা নত্তে অওনবগী অওনবা ঙাক্তনি। নৈনমীদগী হৌনা শেমদোকমিন্নফম থোক্তজাৎলা হংনরকপা য়ারি, নৈনগদৌরিবা অসিনা কনানো তাগদৌরিবনা কনানো অনীমক ফগৎহনমিন্নবা চঙই। লাইগী শোয়দনবা মানবা খূৎনৈনরোমদগী খরা থাক হাইগৎলপ ৱাংখৎলপ তৌনা নৈনখৎখিনবগী পান্দমদা! মহৈ মশীনগী মরমদা নৈনবদি তারিমখৈ পেন্দে। নৈনবসু য়াম্না ফৈ, নৈনবদা স্কুল ওজাশিংসু মরক মরক্তা য়াওহনফদে। অখঙ অহৈ ঙাক্তনা নৈনবগী মহুত্তা ওজাশিংসু স্কুল ফগৎনবা নৈনবদা য়াওহনবা তাজনীংই। নাকল নাম্মগী সজেসন ঙাক্তা চাবসু শরেং থোংবা ঙাক্তা চাবগী হাওরক্তবদু অদুম থোকই। নৈনবা মীনা পঙনৈদা নৈনবা, অতাকপা মীনা পংতাক্তা তাকপগী মতৌনি। কনানা তারিবা কনানা নৈনরিবা লৌবা য়াবনা করি লৌবা য়াদবনা করি ফাওনহনমিন্নবা চঙই লাউনদবীদা।

লায়রবগী স্কুল মালহন্নবা হোৎনজবদা তোল্লবা অঙাংশিংনা নুংশা খাঙজনবা ফেন অমফাও পানশিনবীবা ঙমদবসি তৌহৈদে হায়নবা অমা লৈবজাৎলা? মসি মৈ পুশিন দবদগী ফেন পান্দবা ওইরম্বসু য়ারিজাৎনি। অনী শুদ্রবসু স্কুল অমদা ফেনদু অচৌবা অমত্তং ওইরসু পানবীবদা অথিংবমক লৈত্রবদি ওমচাক্লরবা অঙাং খিবিক্লা ওমশিন্নজরগা নবেম্বর থাগী অশাবা খাঙজবা য়াই (হৌজিক নবেম্বর থা অসি নুংথিল নুংশা শারি)। হিয়াঙ্গৈ মাকমৈ, পোইনু মচিন য়ৌরবসিফাওবদা অয়ূক পুং তরা তাখ্রবদি জেকেৎকা লাক লাক্তুনা লংথোক্লিংলে। কালেন্দদি জীব মচাশিংনা কয়াম ৱানা খাঙলম্লি ফেন মখাদা ফম্লগা ফগৎনবা নৈনবিরিবা মায়চৌ কাঙবুনদি মসিগী মৈশাসি ফাওরম্লোই। কংলৈপাক অইং অশা খল কায়রে। কোকিল খোংলে। জেকেৎ লৈগে চৎলগা নুংশা শাগৎলকপদগী লৈদ লৈদনা হল্লকপা হৌজ অনীরক্লি। মসি খূৎশাসিদবু স্কুলদা ফেন পান্দদনা অঙাংশিংবু মৈথক্তা ঙৌরগা থম্বসিবু পাপ পুনঙাই ওইরোইদজাৎলা? য়ারগদি তরামক তিংদ্রগসু ফেন য়াদবা অমনীদংবু পানবীরবদি স্কুলগী ফোটো নম্মকপদসু ফনদি ফজরনি, মদু উরগা নুংশাগী মৈশা খরদসু হন্থবা ঙম্বা য়াই। লায়রবৈ স্কুলদা মৈ পীবা অসিবু শুকয়ামক য়াররোইদবজাৎলা, হে লাই নঙ অমুক্তদি হায়বিয়ুবা?

য়ূমদনা অঙাংশিংনা স্মার্টফোন পায় পায়দুনা নেট শমদুনা, ফেন হুমদুনা নুংঙাইনা লৈনরে, স্কুল য়ৌরগনা পৎ তৎলে! নুংঙাইবা পাম্বদা অঙাংনি, অঙাংনা নুংঙাইতবা মফমদা অমুক হন্না চৎনীংদে। বোল শান্নবা, ম্যুজিয়ম, লাই য়েকপা, ঈশিং চাইবী, লম কোয়বা, রাইম শকপা, শান্নপোৎ, লাই য়াওবা তম্না লাইরিক, অনানবা স্কুল, অফবা তোইলেট, অফবা ঈশিং, ঈশৈ নোংমাই, লৈকোল, টেলিভিজন, কম্প্যুটর, জগোয়, স্মার্টফোন, গ্লোব, মেপ অসিনচিংবা মশক ফজবা-ফজবী ওজা অসিনচিংবা লৈরকান্দা অঙাংনা স্কুল চৎনীংগনি। ফক্লাং শেগায়বা, অহোবা জিজ্ঞ হায়বসি অঙাংনা পামদে। ময়াম অসি লৈত্রবা ফংদ্রবা মফমদুদা কনাগী মচা মশুশিংনা করি হৈনীংদুনা চৎনীংদৌরিবা?

ঐখোয়গী মতমদুগী অঙাংশিংনা পামজবনা বোরাদা ফম্বা, উফুল মরক্তা থরো মালো ওল্লগা শান্নবা, নপ শাংনা শাংনা চিংখৎলগা লেম্নবা, নপ্তুসু শীৎপগী মহুৎ থ্রুৎ লাউনা অমুক্তং আ য়ৌনা চিংখৎলগা কুৎ লাউনা য়োৎশিনখিবা, জীপ থৌরকপদা মৈখুগী মনম লৌনবা কোয়তান তান্নবা। হৌজিক্কী অঙাংশিংদি মসি শুকপাম পামখিদ্রে। লায়রবগী স্কুলদা চৎলু চৎলু হায়না লুশম পায়রগা ইনবদা অঙাং ঙক্লি নানরবনি। পূম্নমকসি অতাকমীদা লোইনা তাইনরগা ইম্থোক্লগা থোক্কদৌবা মান্নরি। মসিদি অতাকমী ঙাক্তনদি ওইনমখিরোই।

ইনাকখুনবগী স্কুলদদি অফবা ওজানা অফবা মহৈরোয় পুথোকই অদুগা অফবা মহৈরোয়না অমুক অফবা ওজা, অফবা স্কুল অমদি অফবা প্রিন্সিপাল পুথোকপা ঙম্মী। লায়রবগী স্কুলদনা ওজানসু অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমদ্রি, মহৈরোয়নসু অফবা ওজা পুথোকপা ঙম্নদ্রি। ওজানা পুথোকপা ঙমদ্রবদি মহৈরোয়না অফবা ওজা পুথোক্লোদনা অদুসু ঙমদ্রি। অমনা অমবু শৌগৎনবা ঙম্নদে। চৈদি কনানা চাই? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খেউ # ৩৬৯

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —**
**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**



উ অমসুং মসিগী পোত্থোকশিং শাবদা থোইদোক্লা পাম্না অমদি পাক-শন্না শীজিন্নরিবা খেউ পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণ খরদি অদুম য়াওরি। খেউ পাম্বী অসি ইংলিসতা বর্মিজ লেক্কর (Burmese lacquer) নৎত্রগা ব্লেক লেক্কর ত্রী (Black lacquer tree) নৎত্রগা রেদ জেব্রা ৱুদ (Red zebra wood) নৎত্রগা ভর্নীস ত্রী (Varnish tree), থাইদা কারেন-মো হোং সোন (Karen-Mae Hong Son) নৎত্রগা কারেন কানচানাবুরি (Karen-Kanchanaburi) নৎত্রগা খমর (Khmer) ভিয়েটনামিজদা সোন-দাও (Son dao), লাওসতা তোন নামকিয়েং (Ton namkieng), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা গ্লুতা উসিতাতা (Gluta usitata Ding Hou) নৎত্রগা মেলানোরিয়া উসিতাতা (Melanorrhoea usitata Wall.) হায়না কৌই অমসুং এনাকার্দিয়েসী (Anacardiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : হৈনৌ পাম্বী - মেঙ্গো ত্রী (মেঞ্জিফেরা ইন্দিকা), হৈমাং পাম্বী - চাইনিজ সুমেক (Chinese sumac), কাজু পাম্বী - কেস্যু নট (এনাকার্দিয়ম ওসিদেন্টেল) অসিনচিংবনি।

খেউ হায়রিবা পাম্বী অসি য়াম্না চালবা ফুট ১০০ হেন্না ৱাংবা অদুগা দেসিদুঅস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগনবা উজাও পাম্বী অমনি। থীতসী (Theetsee) নৎত্রগা রিনগাস (Ringas) হায়নসু কৌনবা উ পাম্বী অসি মখোক অদু চাওবা মান্ননা, চপ য়ুংনা হৌদুনা মতোন্দা শংত্রিক শংবা অচৌবা মনাশিং চবুন ওইনা পাল্লি। থাইলেন্দ অমসুং ম্যান্মারদা খেউ পাম্বীগী উ অদু বোর্নিও রোজৱুদ (Borneo rosewood) হায়না খঙনৈ। খেউ পাম্বী অসি এসিয়াগী লমদমদগী হৌরকখিবা অমদি মরু ওইবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিং, লাওস, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দদা খেউ পাম্বীঅসি হৌবা থেংনৈ। মণিপুরগী মনুংদা লোকচাও, কবোগী লমদমশিং অমসুং ম্যান্মারগী অনকপা মফমশিংদা মপূং ফানা হৌই।

খেউ পাম্বীগী উ অদু মচু ঙাংশং ঙাংই অদুগা হেন্না কুইনা থল্লবদি মচু অদু মুশিল্লকই। উ অদু য়াম্না মহুৎ কুপ্পী অমসুং য়াম্না কল্লি। য়াম্না মুন্না য়েংশিল্লবদি উ অদুদা হঙ্গাম মপাল মচুগী মতেক-মতেক চৎপা উগনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না খেউ পাম্বীদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিংদি - থীটসিওল (Thitsiol) অমসুং উরুসিওল (Urushiol) নি হায়না পীরি।

য়াম্না পাক শন্না হীদাক ওইনা শীজিন্নদ্রবসু খেউ পাম্বী অসি অনা-লায়েং খরদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। সিনহনা কুমজা ১৯৯৬তা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না খেউ পাম্বীদগী থোরকপা গম (Resin) অদু লেপ্রোসি হায়রিবা লায়না অদু লায়েংনবগী মথক্তা পেরাসাইটিক (Parasitic) তীলনা থোকহনবা লায়নাশিং লায়েংবদসু লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নে। ম্যান্মারদদি খেউ পাম্বীগী উগী মকু অহিংবা অদু থাঙনা শৎ য়ানবদা থোরকপা গম অদু য়া চিকপা-নাবা তৌবদা য়াখোঙদা থোমদুনা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা গম অদু ঈশিংদা ফুৎলগা শৌহল্লগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা মীওইবগী পাঙ্গল-শক্তি হেনগৎহনবসু ঙম্মী হায়না শীজিন্নে হায়নসু পাউদল্লি। হায়রিবা গম অদুগা তেংনৌ পাম্বীগী মখোম (latex) অদুগা চাং মান্ননা লৌরগা ঈশিংদা মিনট ৬ রোম ফুৎলগা-শৌহল্লগা শেম্বা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংসু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদুদা খোইহি খরা নৈখায়রগা শেম্বা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবা নৎত্রগা তেংথোকপদা চীন্বাল অমসুং ঙৌ চাথৎপা অদুদা থোইদোক্লা কান্নহনবগী পাউদমসু লৈ। অশেম্বা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা গাউট হায়না খঙনবা তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা অদুদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। খেউ পাম্বীগী মরাগী মকু অদু ফজনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদু তান্থোকপা ঙম্বগী মথক্তা খোঙ হামথবা অদুসু থিংবা ঙম্মী হায়না ষ্টিফেন ইলিওট (Stephen Elliott) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯৭তা সাইন্সকী চেফোঙ অমদা ফোঙদোকখি। অশোক অপন তৌবদা খেউ পাম্বীগী মনা অমসুং মরা অদু চাং মান্ননা লৌরগা শুগায়দুনা শেম্বা মোলোম অদুনা লশিংদা লুপ্পগা থোম্লগা বেন্দেজনা য়েৎশিনবদা ঈ অদু থুনা খকহনবগী মথক্তা অশোকপা অদুসু থুনা ওইশিনহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নে।

খেউ পাম্বীগী উ অদু য়াম্না কনবা অমদি ঙাংশং ঙাংবা মরম্না য়ূম-কৈ শাবা অমদি মখল কয়াগী উগী পোত্থোকশিং শাবদা পাম্না শীজিন্নে। অদুবু উ অদু চোৎলিঙৈদা পায়বদা কনাগুম্বা খরদদি য়াম্না হাকৎচবা অমদি উনশা অদু মথা-মথা পোমখৎহল্লি। অদুবু উ অদু মপূং ফানা কংহল্লবদি থোইদোক্লা অমাঙ অতা থোকহন্দে। খেউ পাম্বীগী উ অদু নোংমৈ অমসুং থাঙ-তেনগী অমদি খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মখোক পানবদা য়াম্না খুদোং চাই অমসুং পাম্না শীজিন্নে। খেউ পাম্বীদগী লৌবা রেজিন অদু ঈশিং লিৎপা ঙমদবা মরম্না উ অমসুং ৱা-লীগী পোত্থোকশিংদা পোলিস ওইনা তৈদুনা শীজিন্নে। গম, ইনামেল পেন্ট (মচু) অমসুং সেরামিক (Ceramic) কী পোত্থোকশিং শাবদসু খেউ পাম্বীগী রেজিন অদু য়াম্না পাক শন্না শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।